| | | | |
|---|---|---|---|
| <?xml version="1.0" ?> | | | |
| <?xml-stylesheet type="text/css" href="home.css"?> | | | |
| <Doc id="man-w-media- | MN00002 | " | lang="Manipuri"> |
| <Header type="text"> | | | |
| <encodingDesc> | | | |
| <projectDesc> | CIIL-Manipuri Corpora, Monolingual Written Text | | </projectDesc> |
| <samplingDesc> | Simple written text only has been transcribed. Diagrams, pictures, tables and verses have been omitted. Samples taken from page 10-11, 24-25, 34-35, 46-47, 58-59, 72-73, 84-85, 94-95, 106-107, 116-117 | | </samplingDesc> |
| </encodingDesc> | | | |
| <sourceDesc><br><biblStruct><br><source> | | NERLC | |
| | <category> | Aesthetics | </category> |
| | <subcategory> | Literature-Novels | </subcategory> |
| | <text> | Book | </text> |
| | <title> | aikhoYa' tAdA | </title> |
| | <vol> | | </vol> |
| | <issue> | | </issue> |
| </source> | | | |
| <textDes> | | | |
| | <type> | | </type> |
| | <headline> | | </headline> |
| | <author> | hijama guNa siMha | </author> |
| | <words> | 2085 | </words> |
| </textDes> | | | |
| <imprint> | | | |
| | <pubPlace> | India- Imphal | </pubPlace> |
| | <publisher> | hijama canu shrImatI debI | </publisher> |
| | <pubDate> | 1966 | </pubDate> |
| </imprint> | | | |
| <idno type="CIIL code"> | | 3091 | </idno> |
| <index> | | MN00002 | </index> |
| </biblStruct><br></sourceDesc> | | | |
| <profileDesc><br><creation> | | | |
| | <date> | 27-Dec-2005 | </date> |
| | <inputter> | Urmila | </inputter> |
| | <proof> | Premila, Anand | </proof> |
| </creation> | | | |
| <langUsage> | | Manipuri | </langUsage> |
| <wsdUsage> | | | |
| <writingSystem id="ISO/IEC 10646">Universal Multiple-Octet Coded Character Set (UCS).<br></writingSystem> | | | |
| </wsdUsage> | | | |
| <textClass> | | | |
| <channel mode="w"> | | print | </channel> |
| <domain type="public"> | | | </domain> |
| </textClass><br></profileDesc><br></Header> | | | |

<text><body>

<p>

অসিগুম্বা নুমিদাং অমা অমুক লাকখিদ্রে, অদুনা অহানবনি অমসুং অরোইবনি। ঐনা ইয়াম্বগা অসুম্না মিকুপ অমা ফানা থক থাদোক্লদনা হৌমিন্নরকই। ঐখোয়গী ইবোক্লা ঐখোয় অনীগী পুম্নমকনি। পাকচাওই হায়রিবা তাইবংপান অসিগীদি লায়রদুনা পীকখ্রবা কৌক্রুক্ খুন অসিগী মী অমাফাওবা ঐখোয়গীনি হায়জনীঙাই কনা অমত্তা লৈতে, ঐখোয়গীদি মীকোক অহুমতগী তাইবংপাননি। অদুক পাকথোক শন্দোকলকপা হায়ববু খুনগী শঙ্গাবুঙ, চেন্না চোংনা শান্নে হায়বগী ৱারৌদ্রবী, চরোৎ হারু ফুকপগীসু শাওরক্তুবী, ইচিল-ইনাও ঐখোয়গী পুন্সিগী মিকূপ নাহুম খুদিংদা মাগী মথানুংদা শান্নহনখিবী অসি মঙাই। শঙ্গাবুঙদা ঐখোয়না পুরকপা শনবী শন্নাওশিংগসু চেৎনা লুনদি তিন্নে তোৎনৈ হায়ববু ঐখোয়বু থাদোক্তুনা চৎখিবসু কোঙ্গায়নি। কনা অমত্তা অরেপ্পা অসিনি হায়বা লৈরমদ্রে।

</p>

<p>

করম্না হৌখিবনো খঙহৌদে, খুনগী শঙ্গাবুঙদা “অর-তিতি” হায়না চেন্না চোংনা শান্নরম্বদগী তাদগা ঐগা ঐখোয় অনীমক লৌবুক্তা কুমদুনা শনপোৎ লাঙ্গোন মাংদা থা, লাঙ্গোন য়োৎলম ফাৎ, য়োৎলৈ নোংথাংশা, লৌরাংশুবা মতাং য়ৌরকই। থবক অসিবু ইবোক্লা পারমচৎনি হায়না তাকপীরম্মী। মসি হেক তাকপীবা খুদক্তা ঐখোয়গী ইপাবু কনানো হায়বামা পুকনীংদা ইথন্তা পাউহংজৈ। ইথন্তা অমুকসু খুমজখি, লৱাইগী লাইরা চুদৎনরবা লৌরাংশুবা, কনা লৈজদ্রবা মচাবু য়োকপী থাকপীরমদ্রবা অমনি। অদুবু কনানোনে? মমিংনা করি কৌই? মশক্লা কমদৌই? লৌরোন্নবা লৌবুকলোমদা য়েংথোকলুবদা পারমচৎপু ইল্লিবা মখোয়বু উরম্মী, মখোয়সু লাঙ্গোন য়োৎলম ফাৎলম্মী। লৌগী লৌরীথক্তা, চরোৎ-হাবুং অমদা, অহল ওইরবী মুবা শমগ্রেং উদ্রবী শীঙেল লৈশক শাম্লবী, তাইবংপানগী অচৎ চত্তা পুম্ববূ মথানুংদা কোনশিনগে লাক্লবী ‘মতম’ কৌবী ইচেলগী তোর্ব্বন্দা মশু’নীগী কুম্মে য়েংথিনি ফমলিবী, নোংমা অদুদসু ফম্লম্মী। খঙহৌদনা হৌরকখিবা ৱাফম

| | | |
|---|---|---|
| | অদুনা ঐগী ইথৌ পাঙশিনবা ঙমলমদে। লুমথ্রবা ৱাখনগী পোৎলুমনি। উথিমাল্লে অসুম্বা অরুম্বসে ইবোক্লা! অসুম্না লাউরক্লম্মী, | |
| <p> | “ইবেনগী নীংথেম নয়াম্বগী মতৌ তম্মুশা!” | </p> |
| <p> | য়েংথোকখিবদা তাদদি খুত্তা পায়বা শাজৈনা নোংমদোন তম্না হায়গৎ, চিন্ন অর তিতি হায়না লাউ, শমোক লাবা পাবোত্তু পুংবা চানা লাঙ্গোন য়োৎলম ফাৎলম্মী। | </p> |
| <p> | “ইবেনগী পাঙ্গল ময়েং তারকলে। নমাগী মফমদা ৱাশকখিবা কায়বা তারব্রা খঙদ্রে। তাইবংপান উয়ান চাক্তিন্নবনি। পুন্নমক অসি থাদোক্লমগদৌবনি। অদুবু ইবেন্না থাদোক্লোই নচিন-ননাওবুদি। থৌবা! ননাওগী খনবদা ইবেন ওন্থোক্লা ৱাই। -ইবেনগী নীংথেম নয়াম্ববু থাদোক্কনু, নয়াম্বগী মতৌ তম্মু, নয়াম্বগী মতুং ইল্লু, নয়াম্বনা হায়বা খক হিক্তোক্কনু। ইবেন্না তাক্কদবা লাইৱা হায়ববু অসিনি ইবুংঙো। নয়াম্বনা হায়বা ইনবতনা নংগী নথৌনি।” | </p> |
| <p> | হায়রল্লগা মহাক তুমিন লৈখ্রে, ঙাইহাক লৈরগা মং-ওই হাওই অমুকসু হায়রম্মী, “ইমাগী ইবেম্মা অপাম্বী, ইমাবু কাউরব্রা নহাকপু নচাশিং লৈরিনহায়, ইমাগী নাক্তা ইমাগী সেবা তৌরোলাউনে!” | </p> |
| <p> | ঐখোয় ইচিন-ইনাও অনীমক ইঙক ঙক্লম্মী, তাদনা ইবোকপু কৌরম্মী, খুমলমদে; মশা নোমদুনা হৌদোক্লম্মী, খোমলেন মিকপ তাল্লকপগুম “থৌবা, নীংথেম!” হায়না ইবোক্লা কৌরক্লম্মী। পুকনীংদা অকিবা পোক্লম্মী। তাইবংপান পুম্বা মথক মথা ওল্লদৌগুম থল্লম্মী। নুমিদাংদু ওন্থোক্লা ৱানা লেল্লম্মী। নোংঙানফাত্রিঙৈ খুল্লাকপা লাক্তুনা ইবোক্কী নাক্তা চঙদুনা মাবু য়েংবীরম্মী, ৱারী শাবা হৌবীরম্মী। ইবোক্লা মতেক মতেক হায়রম্মী, “খুল্লাকপা ইচেম য়াগনি থাজরক্তে! ঐনা নঙোন্দা শিন্নবদু নহাক কাউগনু” খুল্লাকপনা খুল্লম্মী, “নত্ত নত্তবা খন্দুনা হকচাং ময়েং তানবনি। শিন্নবা শিন্নদবা ঐহাক ইচিন্না য়াখ্রেদনা। করিমত্ত থল্লুনু।” | </p> |

| | | |
|---|---|---|
| <p> | ঐখোয় ইবোক ফম্মুংদা য়ামফক তাদুনা লৈখ্রে। খুল্লাকপগা ঐখোয় তাদগা লোন্না হেক হেক ৱাতান্নরম্মী। ঐখোয় তাদনা ফিজিনা মপি তৈথোকপা ঐহাক উরম্মী। ঐনা থৌদৌ অদুদা অকিবগা লোয়ননা করি ৱানো হংলম্মী। হংলুবদা মহাক্না ঐবু মথাদা চেৎনা কোল্লগা, পাউখুম পীবগী মহুত্তা হীক হৈনদুম কপ্পম্মী। মহাক্না লোল্লপ্ল হায়রম্মী, “ঐখোয় ইবোকপু থাদোক্কনু, মাগী মশা য়াম্না শোল্লে হায়। ঐহাক মাম্ম চাওয়াইমাহোয়, খুনগী মী কৌরুথিগে।” | </p> |
| <p> | “ইমা ইপা শক্লবী, পোকপদগী ঐখোয়বু কোল্লক্লবী ঐখোয়গী ইবোকনি। মহাক্না থনম্বা, ফিজেৎ ফিগাই ওইরবসু সনা-লুপা মণি-মুক্তাদগী হেন্না মমল য়াল্লবনি, নহাক অসুমক শঙদুনা লৈহৌ। হয়েংদগীদি ঐনা নপুক থন্নবা হোৎনগনি।” | </p> |
| <p> | “ঐদি হায়রিবা অসিনি, হয়েংদগীদি থবকশুবা চৎলগনি, ঐহাক শোয়দনা চৎকনি” | </p> |
| <p> | মহাক অমুক মথা তানা খুমলমদে, ঐগী ৱাদু য়াবীরবমাল্লে। মদু থল্লূরগা নুংঙাইবা ৱাখল অমা ফাউরকলম্মী, লুখুমদা য়াল্লিবা তৌদ্রিদু পায়দুনা মাঙ্গোলদা থোক্লম্মী, মাঙ্গোলগী চুরীতাফমদা খোঙ য়াম্থরগা খোংদুনা শান্নরম্মী। ফনা য়াম্না কুইরগা তাদনা কৌরক্তুনা ঐখোয় অনীমক ফম্মুংদা চঙমিন্নরম্মী। মহাক্তি হেক তাখিবগা তুমথখিরম্মী, ঐদি মীৎ উইশিনবা য়ারমদে মাঙঙুরবা ৱাখল কয়ামুক পুকনীংগী মচি মচিদা অমগা অমগা অমগা লোনশিন্নদুনা নোংনুংশিংকী মতৌগুম্না শাফু কন্না অমগা অমগা থাইদোক্লফম খঙদনা হৌরক্লম্মী। খুনগী ইমান্নবশিংগী মমা মপা কয়া কয়া ঐগী ইমাংদা মথং মথং লাক্লম্মী অমুক অমুক মাঙলম্মী, কোরৌ নোঙ্গাখ্রবী ইবোক্কী শকফম, মহাক্না হরাও হরাও কোনবীখিবা, করিগুম্বদা চৈশু পায়দুনা কোইতান তানখিবা ঙম্না উরম্মী। | </p> |
| <p> | নুমিদাং অদু ফনা য়াম্না থেঙলম্লগনি, মং-ওই হা-ওই ঐখোয়বু কৌবগুম্বা অমা তাখি-অমুক অনীরক। ঐনা মিৎ পাংথোক্তুনা নাকোং থাঙ্গত্তুনা তারুবদা “হনুবী শিগৈচনদুগী শন অদুনিনে” | </p> |

| | | |
|---|---|---|
| | হায়বা’মা তাখিরম্মী। ঐনা তফিং তফিংনা তাদবু হৌদোকলম্লগা থোং হাংদোক্তুনা মপাল্লোমদা চেন্থোকলম্মী; ঐনা তাখিবা ৱাফম অদুমক অমুকসু তারম্মী, ঐখোয় অনীবু হন্না হন্না লাক-না লাক-না অহিংগী অচিকপদু থুগায়দুনা কৌরক্লম্মী; অৱাংগী থংনবা ইমুং অদোমদগীনি। কৌরিবা অদু ঐখোয় তাদা তারমগদ্রা তারিরোইদ্রা খঙদ্রে মাবু অমুক কৌরুবসু তৌরুদ্রে; ঐহাক ইথন্তা ইঙ্খোল লোল্লবদু তান্না চেনশিল্লম্মী। ঐনা চেনশিনখিবদা শন অমখক কোইতান তান্নবা, মশাদা চৈনা ফুবগী শেৎ শেৎ লাউবা শাফু কল্লবা চৈফু অমা তারম্মী, অফু খুদিংমক্তা ঐহাক ইশাদা ফুবগুম্না থংপ্রেক থংপ্রেক থংলম্মী। অমম্বা অদুদা ঐহাক খোঙ থাভম খঙদমথৈ চেনশিল্লুবনি, তেম্পাক্কী লৈতঙ্গায় মরক্তা অমুক অনীরক তুশিল্লম্মী। থারিবা শম্বল মনাক য়ৌবদা শন্না ঐখোয়গী ইঙ্খোল অসোমদা চোংশিল্লকপগী শউম তারম্মী। অমম্বদা মহাক মমাংগী শঙ্গোন, তুরোয় ঙামলোইরবা অদোমদা তপ্পা তপ্পা চঙশিনখিবা উরম্মী, ঐসু মাগী মতুং ইন্দুনা চৎলম্মী। শঙ্গোনগী চিথেক অমদা মহাক তপ্পা চঙশিনখ্রে। তাঙ্গা অসিমক্তদা তাদনা পোদোন থাউমৈ অমা মখুৎনা থল্লদুনা থোরক্লম্মী। ঐখোয় অনীনা শঙ্গোন্দা চঙশিনমিন্নরবদা তাদনা হায়রম্মী, “কমদৌনা লাকলিবনো?” মহাক্না চঙশিনখিদুনা শন অদুবু নানবীরম্মী, অমুক হায়রম্মী, “হয়েং নোংঙাল্লগা থিল্লুবা হায়বদুনি। অহিং অসিদি অসুমক লৈজরসনু।” | |
| <p> | ঐনা, “কদায়দা চৎকদৌরিবা?” | </p> |
| <p> | “থবক অমত্তং থিরুদবা য়াদ্রি, অদুগী চৎকদৌরিবনি।” করি থবক্নো, কদায়ৱাইদনো, তাকপীরমদে। মথংগী নুমিত্তা ঐবু ঙন্তানা হৌদোকলম্লগা ঙরাং হায়বগুম্না মহাক অদুমক চৎখ্রে। ইতোমতা ঙায়হৌরবদা চৎখ্রবা পুন্সিগী ৱাফম কয়ামরুম থম্মোয়নুংদা মথং মথং হন্দুনা চেল্লক্লম্মী, মং-হাদা থোকখিবগুম হৌখিবা ঙাক্কি। শুক্লবা পুন্সিগী উনুংদা, মায়কৈ মরীমক্তা মমদুনা লৈখ্রবা ৱাফম ‘ঐখোয় কনানো’ হায়বা অমা নুমিৎ | </p> |

অদুদা কদোমদগী হৌরকপা ঈহৌনো খঙদনা, থম্মোয় ঈপাকথক্তা হৌরক্লম্মী। ঙাইহাক অদুদা খঙনীংলকপনা ঙায়ঙল্লক্তে। লাইরৈপাক তানখ্রবী ইবেন্না তাকপীরম্মী, ঐখোয়বু পোকপী ইমা, মপুন্সিগী অঙনবা তনৌ তনৌবা মতাংদা ঐখোয়বু হুন্দোকপীরম্মী, অদুগা পাবদি, পাবনা অমুক হন্না লাক্লরোই চৎথি। মহাকসু শিখ্রবরা, করম্না চৎখ্রিবা খোঙচৎনো, শিখ্রবদি ইমাগুম্না শিখ্রে হায়না ইবোক্লা তাকপীরমদ্রিবা করিগীনো? ঐখোয় তাদনা চৎফম থুংফম খঙদনা চৎখ্রিবসিবু পাবগী মনাক্তরা? খুন অসিদা মসিগী ৱারী ৱাখোঙ খঙবা মীসিবু ইরৈমক লৈরল্লোইদ্রা। মমলবা, শুক্লবা, উনুংদা লম্মাংনরবা তাঙ্গাদা, অথাপ্পদা মুসলি মুৎলি থানবা থাউমৈ, অকনবা নুংশিৎনা হুম্বদা, মৈরী অদুনা অমুক অমুক মাঙখিদৌগুম ফর ফর হায়দুনা খাঙলিবদু উরগা, থাউমৈগী মৈঙান তম্না, নুংশিৎকী মমাং থানা, চেনশিন্নীংবগুম ঐগী মমলবা থম্মোয়নুংসিদা পীক্লবা তনীক তনীক্লবা মঙান-মশেক অমা ফাউরিবগুম তৌরম্মী; ঐনা থাজরম্মী অরাপ্পদা মৈঙান অমা উরিবসি নত্রনে! পীক্লবা ইমুং অদুগী ঐহাক মপাল্লোমদা থোক্লক্লম্মী, তাইবংপান পুম্ববু মঙাল পীনবীরম্বা কোরৌহনবনা নোংচুপ চীংমায় তমখ্রবা, উতোল-ৱাতোল লোমলবা অদু ফাওবদা মালং অতিয়া মকোয়দা কোরৌহনবা কারক্লব্রা য়েংলম্মী। ঐহাক খুদক অদুমক্তদা মফম অদুদগী থোক্লক্লম্মী-খুনগী শঙ্গাবুং ফাওদুনা মথা পাংনা অসুম অসুম চৎথরম্মী। কনা থোইদোকপমা উরমদে।

| | | |
|---|---|---|
| <p> | মখা অমুক তানরমদে। তাদনা চাওয়াইমাহোইদা চৎলুসি হায়দুনা ঐখোয় অনীমক ইপুদা তাকলমলগা থোক্লক্লম্মী। নুমিৎ পুমতা তাথ্রবা মতুংদনি য়ুমদা হনবগী করিমত্তা থন্নরুদনা চাওয়াইমাগী তান্না চৎলম্মী। অদুবু মহাক মশা ইম্ফাল কাখি হায়দুনা থেংনরক্তনা য়ুমলোমদা অমুক হল্লকলম্মী। নুমিদাং অদু য়ুমদা হল্লক্লগা ঐখোয় অনীমক ফুকনাক-পান্দা ফম্মিন্নদুনা ৱাদী মচেৎ অমত্তা হৌদোক্লদনা ফনা কুইনা লেল্লম্মী। থেংদা থেংজিল্লক্লবদা ঐখোয় তাদনা খংনীং নীংশিংলকপগুম চাক থোংউগনি চঙখ্রে। ঐখোয় অনীমক চাক চখোম অমমম অনীনি চারগা চরে চমৌনরম্মী, চেং খুয়া অমত্তং থোংবদু চাবা ঙম্নরমদে। নুমিদাং অদুদা অহানবা ওইনা চাক লেম্বা হায়বদু ঐখোয় খঙলম্মী। | </p> |
| <p> | লুমলবা পোৎলুম অমা ইকোকথক্তা থোঙ্গৎপগুমলে; মাম্ম চাওয়াইমানা ঐখোয়গী ইকোকথক্তা অসুম্না পোৎলূম অসি থোঙ্গৎলক্কনি হায়বসিমক ফোংবা ঙমলরোইদৌবা পাথোংগুম থোক্লম্মী। ঐবু অঙাংনি হায়বগী ভাবননি খঙদে তাদনা ৱাফম অদু ঐঙোন্দা হৌদোক্লমদে। ঐনা অমরোমদা ৱাফম অদু তানিংঙিদি হায়ববু মহৌশাগী য়াম্না খঙনীঙ্গনবা পুকচেল অদু চেল্লমদে, অয়ম্বা ৱাখল অমা পোকখিরম্মী। তাদনা নুমিদাং অদুদা ঐঙোন্দা হায়খিবা হায়ববু হয়েং নোংঙাল্লগা ঐহাক্লা থূল্লাকপগী লৌফমদা লৌ কুম্বা অদুগা মহাক্লা চাওয়াইমাবু থিরুবা অসিনি। | </p> |
| <p> | ঐখোয়গীদি হৌজিক হৌজিক্কী চাদ-থক্তবা য়াদবনিনা তাদগা ঐগা মহৌশাগুম শূ-চৎলম্মী। চাওয়াইমানা নোংমতা মাগী শেনফম অসিগী ৱা হৌদোক্লকখিদ্রে, থুল্লাকপনদদি ঐখোয় তাদদা ৱাফম অদু হৌদোকপী অদুবু ঐখোয় তাদনা খুম্বা ঙাংবশিংদু তানীংদদুনা ঐহাক কয়া য়াওরমদে। মহাক্কীদি চাওয়াইমাদা হায়জনীংবগী ৱাফম অদু শুকতোক তোক্লমদে, মাগী ৱা অদুদা থুল্লাকপনসু থৌদোংলম্মী। | </p> |
| <p> | নোংমা মঙানি তরানি হৌখ্রবা মতুংদা থুল্লাকপনা চাওয়াইমাবু | </p> |

| | | |
|---|---|---|
| | মাগী ময়ুমদা লাকউ হায়খ্রে, ঐখোয় তাদবুসু লাকউ অরোইবা অমা ঙাংনথোকসি হায়না মখোয়’নি চিবোন চিবোন ঙাংনবা তারম্মী। ৱাফম  অদু তাদনা ঐঙোন্দা খঙহনবীরমদে; ঐসু অহানবদা য়াওনীংলমদে অদুবু নুমিদাং মহাক্কা মথন্তা খুল্লাকপগীদা চৎখিবদুদা ঐসু চৎনীংলম্মী; মহাক্কা চৎখ্রবা মতুংদা ঐসু চৎলম্মী। খুল্লাকপগী মমাং শঙ্গোয়দা পোদোল মচা অমা থাল্লদুনা মখোয় অহুম ৱারী শান্নরম্মী, ঐনা য়েনখাদা থৈজিন্দুনা মখোয়না ঙাংনবদু তারম্মী। ঐখোয় তাদনা শেল তঙ্খাই অমা শিংখ্রে লেমহৌবা তঙ্খায়দু শিংগৎনবা মতম খরা ঙায়বীয়ু হায়বদা চাওয়াইমানা শেল শিংগৎখিদ্রি, ঙাইবসু ঙম্মোই হায়না শিংথাং থাংলম্মী। খুল্লাকপনা অঙাং ঙাক্তনি, ঐখোয়গী খুনগীসু ফজদে মখোয় অনীসিবু কদায়দা চৎহলখিগদগে শিংগৎহনসি হায়না য়ানবীরম্মী; অদু ফাউবদা চাওয়াইমানা য়ারমদে। মমৈদা তাদনা হায়রম্মী, “মাম্ম, অঙাংনি হায়দুনা ঐখোয়বু মীনম্বা তৌবীনু, মাম্মগী অৱাৎপা শেলদগী হেন্না ঐখোয় পাই অমত্তা পীবা ঙম্মোয়। ঐখোয় ইচিন-ইনাও অনীমক ইবোক্কা লৈরম্বা য়ুমসিদা থৱায় হেক্তা থাগনি, ঐখোয়না হায়জবসি য়াদ্রবদি মাম্মনা অপাম্বা তৌ। নহান নুপা অমনা ঐখোয়গী য়ুমসি শিদোকউ, মৈ থাদোকউ হায়বদায়দো, ঙম্মগা শিদোক্লোলাউ। ঐখোয় ইচিন-ইনাও লৈরমগনি। ঙসি হায়নরিবা  অসিনা অরোইবনি। ঐখোয়গী থৱায়না লৈরিফাউদি ঐখোয় ইঙ্খোল অসি থাদোকলোই।” | |

| | | |
|---|---|---|
| <p> | করিনা লমন খুমগনি? মসিনি ঐগী লাকঙম ফাঙমদ্রবা ৱাখল হায়বদু। ঐখোয় তাদগী মতৌ উর উরগা ঐহাক খৌগংনরকই, মৈচাক অসি অসুম অসুম হাপকৎলকই। নোংমদি ৱানা শুরুরগা ইচিন ইনাও চাক চারসি হায়দুনা চাক থেনদুনা থল্লবদা মহাক ইরুজগনি থোকখ্রগা খুনগী পুখ্রী মপান্দা মথন্তা কপ্পুনা লৈরম্বগুম উরম্মী। ঐহাক লৈবা ঙমখিদ্রে, ঐহাক্না থাজরম্মী চাওয়াইমা অসি হেক লোইথোক্লিমখে ঐগী ইয়াম্বগী অৱা মৈচাক অসি কোক্লরোই। অসুম্না লেপ্লে, য়ুম্লোমদা চঙলক্কুনা করম্না পাংথোকলুসিগে খল্লম্মী, ইমুং মনুংদা কোইয়েং য়েংলম্মী, ঐখোয়না লৌবুক পেংবগী থাংজৌ অমা লুখুম কাদা ঙাদুনা লৈ, চঙশিন্দুনা থাংজৌদু খুদুম চেৎনা পায়রম্মী, পায়রগা ঐহাক্না অঙাওবগুম লাওথোক্লম্মী–মরোন্দি ঐহাক খঙদ্রে। খুদক্তা ঐখোয় তাদনা চঙলক্কুনা ঐঙোন্দা হংলম্মী, “করি হায়বা নীংথেম, করি নংনা হৌজিক লাউখিবদো?” | </p> |
| <p> | “ঐবু করি হায়খ্রবগে?” | </p> |
| <p> | “নখুত্তগী থাংদু থম্মু। মাঙলে অদুম্না থক তৌফদে। নহাক্না লাউরিবা ৱাদু থক থনফদে। মদুদি পাংদ্রবা অয়ম্বগী পুকচেন্নিকো। নহাক অঙাংনি ইয়াম্বগী মিত্তদি নহাক অসি অদুঙৈগী চৎপা হৈত্রিবা অঙংদু অদুম মওইরি। হায়য়ু, অদুম্না থক তৌরোই হায়য়ু–ঐহাক লাল্লে হায়য়ু।” | </p> |
| <p> | “ঐহাক নংগী নশক য়েংবা ঙমদ্রে, নংগী অৱাবা মৈচাক উনীংদ্রে।” | </p> |
| <p> | “অদুনবু কোক্কদ্রনে ঐগী অৱাবা, নীংবা কায়বা? ইথৌ পাঙথোক্তবগী নীংঙমদবা থক কোক্কদবা নত্তে। মদুদি লায়খ্রবাৱানি। ঐবু থাজৌ, ঐহাক নংগী নয়াম্বনি, ঐনা ঙমদ্রবা নহাক্কী শরুক্কি। ঐগী ইথৌ ঐবু পাংথোকহল্লু। অদুম্না লমন শিংগদবা নত্তে।” | </p> |
| <p> | মহাক্না চঙশিল্লক্কুনা ঐনা পায়রিবদু মুল্লম্মী। ঐবু কৌশিন্দুনা ঐখোয় অনী চাকলুকপান্দা ফম্মীন্নরম্মী। | </p> |
| <p> | মঙানি তরানি হৌজিনখ্রে, ঐখোয় তাদনা ঐবু মিকুপ অমা | </p> |

| | | |
|---|---|---|
| | থাদোকখিদ্রে। খুল্লাকপগীদা চৎসি হায়দুনা পুন্না চৎমিন্নম্মী। মহাক্না হৌদোক্লম্মী, “চাওয়াইমনা য়াম্না পামলিবসি ঐহাক্না থনবদা শেন্নি। মানা হায়রিবা শেনসি পীরবদি মহাক ইঙ্খোল অসি লৌদবসু য়াই।” | |
| <p> | ব্রারী লোইবগা নুমিৎ ময়ুম চঙথিবগা মান্নরম্মী। ঐদি লমশাং চৎলকপগী ব্রাবদুনা ওইরমাল্লে তুমনীংবনা মুল্লম্মী। মথা করি তৌথিবগে হায়বা মথংগী নোংঙাল্লকপদা খঙলম্মী। ঐহাক্না মিকপ থোক্লকপদো অহল অদুগী মাঙ্গোলদা য়ুমথুং ওইরল্লে অদুবু ঐখোয় তাদদি লৈরমদ্রে। ঐহাক তৌভম খঙদনা মীকপ থোক্লকপগা হৌগত্তুনা ঐখোয় তাদবু ঙাইদুনা লৈরম্মী। ইমুং অদুগী মীসু য়াহৌনরক্লে। ঐখোয় তাদসু ঐগী নাক্তা য়ৌরক্লম্মী। মহাক কদায় চৎলুই তাকপীরমদে, মহাক্না তৌ হায়বদুতা ঐসু তৌরম্মী। | </p> |
| <p> | মথংগী নুমিত্তগী হৌনা অহল অদুনা হায়বগুম্না ইচিন-ইনাও অনীমক অঙম্বা অদুগী ময়ুম তান্না নোংঙাল্লকত্রিঙৈদা চৎলম্মী। মানা তাকপা য়ুমলৈ কৈরৈ শঙতপ ইকায় কায়রমদে। মানা হায়বা থবক অদুমক তৌবা হৌগৎলম্মী। অহানবা নুমিত্তা শঙতপ অদুদা লৈবা অহল অদুনা ইঙক ঙক্না করিগীনো হংলম্মী। ঐখোয়না ঐঙ্গা ইবুংঙোগী মনাই ওইজনীংদুনা তৌবনি খুমলম্মী। অসুম্না নুমিৎ খুদিং মাগীদা চৎলম্মী। মাগীদা থবক থারম্লগা ঐখোয়গকী লৈফম তান্না হললকপদা, ইপন অদুগী মচা অতোম্বা ঐগা লেঙ্গা ওইবা অমা লৈরিবদুগা ঐগা অসুম অসুম তিন্ন-তোৎনবদগী ঐখোয় অনী মরুপ শান্নরম্মী। মাগী লাইরিক লাইশু তৌবদা ঐসু য়াও হায়রম্মী, ঐসু মফম ইখঙ খঙদনা লাইরিক তম্বা হৌগৎলম্মী। ঐখোয় তাদদি হেক লাকপগা ইপন অদুগী ইঙ্খোল শম্বল শেম্বীদুনা, ইঙ্খোল কোইবীদুনা, মরক মরক্তা কদায় কদায়দনো চত্তুনা মতম লেল্লম্মী। | </p> |
| <p> | “ঐনা খঙবদি থরদনি। অদুবু ঐনা খঙবা থরদু হায়গে তাউ ঐখোয়গী খুলদা নখোয়গী পাবহোয়গী লৌ য়াম্না লৈরম্মী। নংবু | </p> |

| | | |
|---|---|---|
| | পোকপা পাবনা লৌ ময়ামদু য়েংবা হেক হেক লাক্লম্মী। অসুম্না লাকপদগী নমাগা চান্নরক্তুনা নমাবু খুল খঙনা লৌথি। নং পাবগা নমাগা নখোয় ইবোক্কীদা অদুম লৈরম্মী। নয়াম্বা পোক্লবা মতুং নহাকপুনা পুক্কুংদা পুরিঙৈদা মুশুক মুশুক ঙাংনরক্লবদা নং পাবনা নমাবু পুদুনা চৎখিরম্মী। নবোক অদুনা অঙম্বা নমাগীনি হায়দুনা অওং অউন তমখি। শন মপী মচা অমসু পীখিবনি। অসুম্না নং পাবনা পুখি। মতম খরা লৈরগা করিগীনো খঙদে, নমানা নয়াম্বা পুদুনা খুল অসিদা হল্লক্লম্মী। নহাক ঐখোয়গী খুন্দা লাক্লগা পোকপনি। মতুং অদুদা নখোয় পাব লাকপা উখিদ্রে। খরা লৈরগা লুহোংদুনা ময়ুম মকৈ পানখ্রে হায়বা তারম্মী।” | |
| <p> | “ইমানা হল্লক্লিবদি করিগীনি হায়বগে?” | </p> |
| <p> | “মরম অশেংবা ঐহাক মুন্না খঙদে খুল্লাকপা মঙাই খঙগে হায়রবদা। খুন্না হংই নবোক্লা তাকখিদে। মদুগী মরমদি লাইরদুনা নখোয় নচিন-ননাও অনীবু খুল অসিগী মচা নত্তে, হায়দোকপীগনু মেল্লম্মী। নহাক পোকপা মতমদফাও নখোয় পাবদা পাউ পীরুদ্রে। পাউ পীরুদ্রবসু মহাক লাক্তুনা হংলৈ হায়বদি তাথি অদুবু নমানা য়াদদুনা উন্নখিদে। মতম অদুদগী হৌনা নখোয়গী লৌ-শীং পুম্নমক অসুম অসুম য়োল্হোকখিদুনা ঐখোয়গী খুন্দা নখোয়গী লৌচা অমত্তা লৈখিদ্রে। নমাগীনি হায়না তমখিবা পোৎ-চৈ ফাওবা নবোক্লা য়াদদুনা করি অমত্তা লৌরুদ্রে। অদুদগী হেন্দোক্তুনা শন মপী মচা পুখিবদু ফাওবা হন্না হন্না চেল্লক্লবদা নবোক্লা হেক হেক থিলহল্লুই।” | </p> |
| <p> | মং-হাগুম্বা ৱারীসি তাবদা ঐহাক পুমঙাক ঙক্লম্মী। মতম কুইনা থাজরম্বা ৱাফম অমা ফংলবগুমসু তৌরম্মী। লৌশিং তারপদগী লাইজা ঈরোন চনখ্রবা, ইশাগী ইপোৎ থিবগুম, তাথি হায়বা খঙনা খঙনা ইফং ফংদনা লাকপবু, কোরৌ নোংমা অদুদা ইরাই লাইনা ফংবগুম থোক্লম্মী। কোক্তগী তোন ফাওবা তূজুং মাঞ্জু লম্মী। মফম ইখঙ খঙহৌদনা ঐগী ইপুক নৌরম্মী। কংলবা লৈঙোই লমদা কদোমদগী হৌরকপা ঈচাওনো হায়বা | </p> |

| | | |
|---|---|---|
| | খঙহৌদনা পুমথুম-থুমহৎখিবগুম ঐগী থৱাই হকচাং পুম্বা থুমহৎখিরম্মী। অসুপ কনবা ঈচাও অমা থক থেঙনখিদ্রি। লৈরি খঙঙুদ্রবা, তাইবংপানগী মঙাল পীনবীরম্বা, ঐখোয়বু পোকপীবা ইপা অসুম্না ফংলম্মী; ফংবা মফংদবু তাইবংপান পুম্নমক মাঙখ্রবা তুংদা, মাঙমন্না মাঙখ্রবা তুংদা! | |
| <p> | তাদনা হায়রম্মী, “য়েংউ ইবোক্লা থম্বীরম্বা ইমাগী লীক! ঙসি ইমাগা ইবোক্কা পুন্না অমুক ফংলবনি। চাওচাইমাদগী ইবোক্লা পুখিবা পৈশাসু শিংদোক্লূরগনি। নহাক নশা ফবদা ঙায়দুনা লৈরিবনি। অসিগীদমকনি ইয়াম্বনা মীরৈবাক্তা নংবু থাদোক্তুনা চৎলুরিবা। পুম্নমক অসে মীওইবা হায়বা ঐখোয় অসিননি। মীনা পুম্নমক শেম্বা ঙম্মী, মীনা পুম্নমক অদুবুসু মাঙহনবা ঙম্মী। মীতনা ঐখোয়গা ঐখোয়বু পোকপা ইপাগা শক খঙনহনখিদে, তীন্নহনখিদে। অদুবু কনাবু ৱারৌনিঙাই লৈবগে। পুম্সিবু মায়োক্নবা থৌনাফবা মীগী শাজৎনি। কিদুনা থক চেনগদবা নত্তে।” | </p> |
| <p> | শিদহিদাক ফংলবা ঐনবু শিবা হৌনবরা মোংফমগী হিংচাবনা ঐগী নাক্তা চঙলকপা মতীক নত্তে, থম্লুং কৈকোই লল্লোনবী ঐগী ইফমদা মাইথিগনি। | </p> |
| <p> | খঙহৌদবা মতম্না ঐগী মরুপ ওইররে ঐগী মাঙঙুরবা পাঙ্গল ঙম্না হল্লক্লম্মী। | </p> |
| <p> | ঐখোয়বু চঙজফম পীনবীখিবা ঐখোয়গী ইফমদা ঈশ্বরমক্কা মান্ননা থৌজানবীখ্রবা ইপন অমসুং মাগী লোয়নবী, ঐগী ইতাও, মখোয় পুম্নমক্কা পুকমেন পাউমেন্নরল্লগা ইচিন-ইনাও অনীমক ঐখোয়গী ইখুন পাংলম্মী। য়ুম য়ৌরকপদা মল্লবা শেগাইরবা শঙ্গোন্দা ঐগী থাইনগী শন অঙাংবী কুন্দুনা লৈরমলে। ঐনা মাবু উরগা ঐখোয় তাদদা মখোঙ শোক্লা খুরুমলম্মী। ঐখোয় তাদনা ইঙক ঙক্লা ঐবু কোনখৎপীরম্মী। | </p> |

</body></text>
</Doc>